শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, লাইরিক ফোঙখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশা, ৱাংজিংগী ১৯শুবা চহী চাগী মীফমগা লোয়ননা লাইরিক ফোঙবা অমসুং শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি উয়াল লাইকোলগী মীপূনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

সাহিত্যগী লম্দা মশক থোক্লা থবক তৌরম্বা লৈখিদ্রবা অইবা-অইবীশিংগী মমিদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা হৌদোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাংবল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান হৈস্নাম মনিচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশাগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রাজেন্দ্রনা মীফম মপূ অমদি মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী সেক্রেটরি এলাংবম প্রিয়োবর্তা, খোরিরোল শন্দোক লূপ ৱাংজিংগী প্রসিদেন্ট তোংব্রম বাবুলাল, নিংঙোল খূৎ মণিপুর ৱাংজিংগী প্রসিদেন্ট খুন্দোংবম গুনমনি অমসুং দি আর দি এ থৌবালগী প্রোজেক্ট ওফিসর সাপম নবচন্দ্রনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোঙখিবা লাইরিকশিং অদুদি সনসম রাজেশ্বরীনা ইবা 'ঙানা নল্লবা অঙাং', অবুজম ইবোহলগী 'খুমনদা ইমোইনু', মুক্ষরাজ অনন্দগী ৱারীমচাশিংদগী সনসম নবদ্বিপনা মণিপুরদা হন্দাকপা 'শোক্লহৈদবশিং' অমদি ভোরোৎ সনসমগী 'খনগৎপা ৱারীমচাশিং'নি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশা ৱাংজিংগী চহীগী ওইনা পুথোকপা সাহিত্যগী চেফোঙ খোরি-ঈহুলসু ফোঙখি। চেফোঙ অসি ভোরোৎ সনসমনা এদিটর ওইবনি।

ঙসি ফোঙখিবা 'ঙানা নল্লবা অঙাং' হায়বা লাইরিক অদুগী মরমদা য়ুনাইটেদ কোলেজ চান্দলগী এসোসিএট প্রোফেসর য়াম্নেম ইবোসনানা ৱা ঙাংখি। অদুগা 'খুমনদা ইমোইনু'গী মরমদনা মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর মাখোনমনি মোংসাবনা ৱা ঙাংখি। থৌরমগী লোইশিল্লকপদা অইবা নহাকপম বিরেননা শৈদিন মপূ ওইরগা শৈরেং-শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অদুদা কবি ৪০ হেনবনা মশা-মশানা ইজবা শৈরেংশিং পাথোক্লখি।

মীয়াম খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নগদবনি : এন য়ু সি ও

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা য়াম্না তাংনা লাক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিত সাহগী খোঙচৎ অসিদা লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম অমত্তা কায়হনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম ষ্টেট লৈঙাক্লা থমগদবনি অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্নসু মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হন্দনবা অমদি ঙমখৈদা শীংনরকপা খুদিংমক থেংনননবা ফুরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নগদবনি হায়না নোর্থন য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এন য়ু সি ও)না ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিত সাহগী মণিপুর খোঙচৎ অসিগী মতাংদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা লৈতে। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা এন এস সি এন (আই এম) গী ৱারী য়াওরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। এন এস সি এন (আই এম) গী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা অকায়বা পীহল্লকপা য়ারোই।

মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা মিনিষ্টর অমিত সাহগা উননবা হোৎনরি। সি এস ওশিং অসিগী লুচিংবশিংনা অমিত সাহ উনবা মতমদা লন্নাইগী ওইবা ৱাফম অমদি লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম শোকহল্লকপা য়াবা ৱাফমশিং হৌদোক্লোইদবনি। মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ৱাফম অসিদা চপ য়ুংনা লৈগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু লমদম অসিদা দিবাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নবা তোক্কদবনি হায়রি।

'ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াগনি'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচএন এস): স্পেসল ষ্টেট ফোর মণিপুর হায়বা হীরমসিদা কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা লৌমী শিন্নী অপূনবা লূপ (লৌসাল) মণিপুরনা শরুক য়াগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌসালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পি ইনাওবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী য়াম্না লুশিল্লক্লবা ফীভম অসিদা কোকোমিনা শীন্দুনা অসিগুম্বা মীফম অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লিবা অসি লমদম অসিগী ওইনদি লাইবক ফবনি। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিদা কোকোমিনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবু লৌসালনা থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা স্পেসল ষ্টেটস ফোর মণিপুরগী দিমান্দদা লৌসালনা কোকোমিগী মতেং অঙন্বা থাক্তা পাংগনি অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্নসু মীফম অসিদা শরুক য়াদুনা স্পেসল ষ্টেটস ফংহৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লি।

শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): কিদনি অনীমক ফেল ওইবদগী হৌজিক-হৌজিক দাইলাইসিস চথদুনা লৈরিবা লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকাইদগী দি দি কেগী ন্যুজ ষ্ট্রিঞ্জর কোইজম ধিরাজিৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা গেষ্ট ফেকল্টি ওইনা লৈরিবা ডা. নাম্ব্রম অমুলকুমারনা ধিরাজিৎপু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা শেলগী তেংবাং পীখ্রে।

মণিপুরদা লৈরিবা পাউমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি লৈবাক অসিগীদমক্তা পাউমীশিংনা কথোকপগা লোয়ননা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অদুবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা শেলগী তেংবাং অদু পীখিবনি হায়না ডা. নাম্ব্রম অমুলকুমারনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু অহিং-নুংথিল নাইদনা থবক তৌরিবা পাউমীশিংবু পূক্লিং থৌগৎপীনবা আপিল তৌখি।

কোকোমীগী পব্লিক দিস্কসন মপূং ফানা শৌগৎতুনা শরুক য়াগনি : চিতুৱা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচএনএস): কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না শীন্দুনা হয়েং থাংজ নুমিৎতা ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিএল হোল (জি এম হোল) দা পাঙথোক্কদৌরিবা পব্লিক দিস্কসন অসিদা মপূং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা শরুক য়াগনি হায়রি।

ৱাফম অসি ইম্ফালগী টিদ্দিম রোদকী কৈশাম্পাৎ টোপ লৈরক মচিন্দা লৈবা চীং-তম য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স এসোসিএসন (চিতুৱা) গী মায়কৈদগী এম পুর্ণিমাসিনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

কোকোমিনা হয়েং মণিপুরগী স্পেসল ষ্টেটসকী দিমান্দগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা পব্লিক দিস্কসন অসিবু চিতুৱাগী মায়কৈদগী মপূং ফানা শৌগৎতুনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগা চপ মান্ননা ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটি (এ এম ৱাই পি সী ও) নসু শৌগৎতুনা শরুক য়াগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, ঐখোয়গী মণিপুরনা নীংখা তম্না লৈজরম্বা অমসুং চীং-তম অমত্তা ওইনা লৈজরম্বগী মথক্তা পিক্লবা লমদম অসিদা নুংশি চান্ননা খুন্দামিন্নরক্লিবা মীতৈ পাঙল অমসুং অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ পূম্নমক অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরক্লিবনি।

অদুবু, ষ্টেট অসিনা লৈবাক অসিগী ফিবান্নুংদা তিনশিনখিবদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী ফুরুপ পূম্নমকপু তোঙান তোঙান্না মচোই মচোই লৈনবা হোৎনরকপগা লোয়ননা মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নরক্লবা ঙমখৈ পরিংবু কায়হন্নবা হোৎনরকপা থৌদৌ অসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অফবা থৌওং অমা নত্তে হায়রি।

মরম অসিনা হায়রিবা থৌওংশিং অসিবু ঙসিগী লমদম অসিগী মীরোল অসিনা তুংদা লাক্কদবা মীরোলশিংগীদমক য়েংদুনা পূন্না অমদি নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরক্লিবা ঐখোয় পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা স্পেসল ষ্টেটস অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা পব্লিক দিস্কসন অসিদা শরুক য়াদুনা অপূনবা ৱারেপ অমা লৌমিন্নহৌগদবনি হায়রি।

লেকচর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা আর জে মীতৈ মেমোরিএল লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কে রাধাকুমার রিটাইয়র্দ আই এ এসনা চীফ গেষ্ট, ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংগী প্রোফেসর বি এস রাজকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি ক্লব অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ইমোজিৎ নিংঙোম্বনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

লেকচর প্রোগ্রাম অদুদা ডা. মায়া নেপ্রম অমসুং থৌদাম নেত্রজিৎনা টোকর ওইখি। থৌরমগী মনুং চন্না ডা. এন প্রেমিনা ইংলিশতা ইবা লাইরিক অনী 'হার ফেন্টাসি' (শৈরেং) অমসুং 'ৱিমেন এন্দ হেল্থ' (এসে) ফোঙখি। লাইরিক অনী অসিগী মতাংদা বি এস রাজ কুমারনা শন্দোক্লা তাকখি।

স্পেসল ষ্টেটস ফোর মণিপুরগী দিমান্দ অচুম্বা খোঙথাংনি : দব্লিয়ু এ এস ঈ দি ঈ ভি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি মণিপুর (কোকোমি)না দিমান্দ তৌরিবা স্পেসল ষ্টেটস ফোর মণিপুর মরম চাই হায়না ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকনোমিক দিভলপমেন্ট (দব্লিয়ু এ এস ঈ দি ঈ ভি)না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা কোকোমিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খূদিংমক্তা ওর্গনাইজেসন অসিনা মতেং পাংগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকনোমিক দিভলপমেন্ট (দব্লি এ এস ঈ দি ঈ ভি)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী হৌনা ফুরুপ কয়া নুংশি-চান্ননা খুন্দামিন্নদুনা লাক্লি। অদুবু হৌখিবা চহী ১৯৪৯দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুং লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা হৌরকখিবনি।

মালেমগী ওইনা দেম্মোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়ানা ষ্টেট অসিদা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা কাঙলূপ মশেল খাইবুং-খাইবুং তানহন্নবা শিল্লি। দেম্মোক্রেসিগী ফিবান্নুংদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা পীবা রাইট টু ইকেলিটিগী কান্নবা চীং অমদি তমগী মরক্তা ফংবা ঙমদ্রি। হৌখিবা চহী ১৯৬০দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এল আর এক্ট অমদি এম এল আর এক্ট থমজিন্দুনা চীং অমসুং তম অনীগী মরক্তা লাপথোক্লনবগী মরূ হুনবা হৌখি।

মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিন্দ্রিঙৈ নিংথৌনা লৈঙাক্লিঙৈ মতমদা মেরা হৌচোংবগী কুম্মৈ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হায়রিবা কুম্মৈ অসিদা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা তমদা লাক্তুনা নুংশি-চান্নবগী শক্তম শাগৎলম্মী। কবুই ফুরুপকী লৈরুম ফি মীতৈশিংগী লুহোংবদা হাপ্পরি। মসি চীং অমদি তম অনী নুংশিনরম্বগী খূদমনি।

মশাগীতা খনবা মীওই খূৎপু খরনা লমদম অসিদা নুংশি-চান্ননা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংদা শীংচেপ থাজিনবগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা চথুরি। মসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা পীবা খূদোলনি। মসিনা মরম ওইরগা ঙসিদি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিং অমগা-অমগা য়েংথীনবা হৌরক্লে। লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী রাইট কন্নবগীদমক কোকোমিনা তাল্লিবা দিমান্দ স্পেসল ষ্টেটস ফোর মণিপুর মরম চাই। মণিপুর মীয়াম্নসু দিমান্দ অসিবু শৌগৎকদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

রিলিভিং দি হঙ্গর হায়বা পান্দমদা লায়ন্স ক্লব ইম্ফালনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

LIONS CLUB OF IMPHAL
DISTRIBUTION OF RICE/FOOD ITEMS
As a part of
"RELIEVING THE HUNGER"
ONE MULTIPLE ONE ACTIVITY
2020, Time : 1:00 PM
Venue : Lions Service
Airport Road, Sangaiprou, Imphal

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): রিলিভিং দি হঙ্গর হায়বা ৱাফম অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা লায়ন্স ক্লব ইম্ফালনা শীন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি সঙাইপ্রৌদা লৈবা লায়ন্স সর্ভিস সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

ৱান মল্টিপল ৱান এক্টিভিটি ওফ লায়ন্স দিষ্ট্রিক্ট ৩২২-দিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সঙাইপ্রৌদা লৈবা ইমুং ৯৭, থৌনাওজম লৈকাইদা লৈবা ইমুং ৪৩ অমসুং সাদোকপম লৈকাইদা লৈবা ইমুং ৫দা চেঙ কিলো ৫/৫ য়েন্থোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লায়ন্স ক্লব ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমসুং লায়ন্স লীদরশিংগা লোয়ননা ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্নর-২, লায়ন ডা. দব্লিয়ু গোপিমোহোনসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লায়নশিংনা লায়রবা ইমুংশিংদা তেংবাং পীবগী থবকশিং মখা তানা চত্থখিগনি হায়না ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা সঙাইপ্রৌগী অকোয়বদা লৈবা লায়রবা ইমুংশিংদা মতেং পাংবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। মখা তানসু লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা মথৌ তাবশিংদা তেংবাংবগী থবক চত্থখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা মতম-মতমগী ওইনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা তেংবাংবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরক্লিবনি।

কোকোমিগী মীফমদা শরুক য়াগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৬তা কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না শীন্দুনা জি এম হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পেসল ষ্টেটস ফোর মণিপুরগী খন্ন-নৈনবগী মীফমদা ৱর্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুর (দব্লিয়ু য়ু এম)না মপূং ফানা শরুক য়াগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দব্লিয়ু য়ু এমগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর পুথিবা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোকোমিনা ইরমদম মণিপুরগী তুংগী খল্লগা মীফম অমা শিল্লিবা অসিদা য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী মপূং ফানা রেস্পোন্স পীনবা শেম শারে। কোকোমিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা লমদম অসিগী শিন্নীশিংনা মপূং ফানা শৌগৎকনি।

লমদম অসিগী লৈঙাক্তগী অশোয়বা কয়া লাকপদগী মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা চাওনা চৈথেং পীরক্লি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরক্লিবা ফুরুপশিং নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী হৌনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরক্লি। ফুরুপশিং অসিগী মরক্তা খূৎশেমগী ওইবা হীরম কয়ানা মরম ওইরগা নুংশিনদবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসি হিংনবা কোকোমিনা শিল্লিবা মীফম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না শরুক য়ানবসু য়ুনিয়ন অসিনা আপিল তৌরক্লি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ HAININGAI LEITANA NUNGAIBA PHONGDOKCHARI

SUDHAKAR

Ei (Prakash Kumar) gi Kidney yet thangba amasung ureterda leiramba nungshing adu Sagolband Khamnam Leirak I.T.I. manakta leibiriba Sir Laishram Sudhakar S/o L. Nabakishore na hapta nipan (8 weeks) layengbiraba matungda phakhre. Mashigidamakta eina Sir Sudhakar bu paochegi thongda hainingai leitana nungaiba phongdokchari.

Sd/- **Prakash Kumar**
Moreh Ward No. 1

HL-P/8333/26

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি

মখাগী অরিবা অনাবশিংসি হীদাক গুল্লি য়াওদনা অশোনবা ঈশিংনা হীদাক ওইদুনা মহিক-মতাই, লোক-লোক পৎপা, খূৎলি শুরগা য়েংজরি। কোক্কী মরী লৈনবা অনাবশিং, মীৎকী প্রোল্লেম, য়া-য়ারি নাবা, চিকপা, পেরলাইসিস, সাইনস, দাইবেটিস, ষ্টোন কেস, লিভর, লঙস, হার্ট, বি পি ষ্ট্রোক, অজমা, কেন্সর, পাইলস কেস, লাই-নুংশিৎ মখলশিং, লোক কংখু, স্কিন দিজিজ, অপোম্বা মখলশিং, খ্বাঙ, খূউ, খূনীং নাবা, ঙক্লি নাবা, ঙক্লি পৈবা, চানীং-থক্লিং ফাওদবা, তূম্বা য়াদবা, নাকোং ঙংবা, তাদবা, ফম্বী শোনবা অসিনচিংবা অনাবা মখল খূদিংমক মায় পাক্লা লায়েংজরি।

লায়েংফম :- **Porompat JNIMS Road (Near UBI Bank, Imphal East)**
লায়েংজরিবী :- **Kh (O) Langlen**
HL-P/8343/26 **Contact No. 8974671844, Time :- 9 a.m. to 4 p.m.**

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম য়েংজরি, মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষ্য, থবক মফম, সরকারগী থবক, করবার, লন-থুম, শেল পুথবা, য়ূম-ইস্কোল, গাড়ী, য়ূম্নাল-কৈবাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, হকচাংগী ফত্তবা মরম, এক্সিদেন্ট, মরুপ য়েক্লবা, মাংনবা তৌবা অসিনচিংবা কুঠি অমদি খূবাক ময়ীদগী য়াম্না কুপথনা য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা ঙমদবশিংগীসু Whatsapp কী খূথাংদা, online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ূক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা। হান্না পাউ লৌবীয়ু।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Mobile No: 9077188456

HL-B/6632/19/12-14/02(alt)

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্বা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্তৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6572/1-30/12

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অশোক কুমারবু থাগৎচরি

ঐগী চহী অনী শুরবা অনাবা FROZEN SHOULDER অসি Sir ASHOK KUMAR না treatment পীবীরগা ফহনবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ঐগী treatment অসি 15 days মহাক্কী ক্লিনিক "ASHOK KUMAR HEALTH CARE, PALACE COMPOUND, I/E NEAR E.S.U. Ground, # 6009827912 দা লায়েংবীরগা অনাবা পূম্নমক ফহনবীরে। অনাবা অসিনা মরম ওইরগা ঐগী খূৎ য়েৎ শিথবা, লেংবা-ওৎপা য়াদবা, ঙকশম-লুখম চিকপা-শাবা, নাকোং ঙংবা, খাঙফম খঙদনা ৱানা খাঙলকখি। থবক অমা তৌবা মতমদা পাঙ্গল থোক্তবা, হকচাং পুংশি শিথবনচিংবনি। ঙসিদি অৱাবা পূম্নমক ফহনবীরে। মসিগীদমক Sir ASHOK KUMAR বু হন্না-হন্না পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Irine Kimboi**
Langol

HL-P/8346/26

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা ABDUL HAK কা ঙসিমক তানবীয়ু

পাইলসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঐগী হকচাংদা চিকপা-নাবা, অমাংথোঙদা চেখাইবা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোম্বা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্বা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, পূকচেপ নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, ঙকশম মরী নাবা, ফম্বী শোনবা, লেংজুম নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ওজা কবিরাজ অব্দুল হককী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা Abdul Hak, Contact No. : 8794429681, 8014623756 পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Y. Amuyaima**
Langthabal Lep Awang

HL-P/8117/26

ADVANCED COACHING INSTITUTE
ADMISSION OPEN
MEDICAL & ENGINEERING last FOUNDATION COURSE

Last FOUNDATIONCOURSE 2020
CLASS X(BOSEM)
CLASSX(CBSE)
BATCHES
Morning: 4.30 -7.50 A.M & 8.15-11.30 A.M
Evening: 12.30-3.45 P.M & 1.30-5.30 P.M
CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)
Last date of admission:6th,Dec.
CLASS STARTED FROM :7th,Dec.
CLASS XI (COHSEM & CBSE)
Limited Seats
FIRSt COME FIRST SERVE

REVISION COURSE 2020
CLASSX(CBSE)
CLASS X(BOSEM)
CLASS XII (Sc. cbse)
CLASS XII (Sc.COHSEM)
CLASS XII Arts CBSE & COHSEM
CLASS XII COMMERSE CBSE & COHSEM
OFFICE HOUR : 10 A.M. TO 3.30 P.M
Last date of admission: 16th DEC. CLASS STARTED: 17th DEC'20

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'
SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVERNMENT SCHOOL.

ADVANCED COACHING INSTITUTE NAGAMAPAL
advancedcoachinginstitute12@gmail.com
Whatapp no : 8787586090 / 9862992105
NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUERY : 9862992105
HL-B/6518/10Nov.-7Jan. (alt)

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ য়েৎকী শাগন নাম্মা শিথবা, অদুগা শিথবা অদু অমুক ফখিবা অমুক হৌরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপা য়াদবা, খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, ফম্নুরগা ফুক লাউনা হৌগৎলগা চৎপা ঙমদবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা য়েৎকী শাগন নাম্মা শিথবা অদুগা শিথবা অদু অমুক ফখিবা, অমুক হৌরকপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খূৎশাশিং ইনোপ্তা নোপ্পগা পোৎ অমা পায়বা মতমদা তাখিবা খঙহৌদবা, খূবোম অমদি খূরাই অসি য়াম্না চিকপা-নাবা, কন্নাক মরী নাবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপা য়াদবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, পূকচেপ নাবা, থজিন শাউগৎপা, অমাংথোঙদা গ্যাষ্ট্রিক চৎলু য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎলকপা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শিংলি-নাওরি শোনবা, ফম্নুরগা ফুক লাউনা হৌগৎলগা চৎপা ঙমদবা, খূৎনা ঙাক্লগা তপ্না হৌগৎলগা চৎপা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া য়াম্না শারগা তুম্বা য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, খ্বাঙ নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/8307/26 *থাগৎচরিবী :* **S. Babita Devi,** Malom

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ শগন নাম্মা হাইদোক-হাইজিন তৌবদা নাবা অমদি য়াম্না নুংঙাইতবা, নাকোংদা ঙংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শিংলি-নাওরি শোনবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিক্লা মতম কুইনা নাদুনা য়েৎকী শগন নাম্মা হাইদোক-হাইজিন তৌবদা নাবা অমদি য়াম্না নুংঙাইতবা, নাকোংদা ঙংবা, তাঙ-তাঙ চিকপা-নাবা, শিংলি-নাওরি শোনবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎপা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা নুংঙাইতবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা চিংগে তৌরকপা, কোক ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা-নাবা, য়াঙলেন শরদা চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, হকচাং পূম্বা থিন্দোক্লগা চিকপা-নাবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, শিংলি-নাওরি শোম্বা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মসলশিং চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/8292/26 *থাগৎচরিবা :* **H. Abungcha**, Wahengbam Leikai